# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JANUARY 16, 2020 **PAGE 7**




*ওষ্ট্রেলিয়াগী এদিলেদনা চত্থরিবা এদিলেদ ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকা*

*আই সি সিনা পীবা সার গারফিল্ড সোবর্স ট্রোফি ফোর বেষ্ট ক্রিকেট্টর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা ইংলেন্দ ক্রিকেট টিমগী ওল রাউন্দর বেন ষ্টোক্স*



## ওড়িষা এফ সিনা হায়দ্রবাদপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*হায়দ্রবাদ, জনুৱারি ১৫ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) কী ঙসি হায়দ্রবাদতা লৈবা জি এম সি বালায়োগি সেটস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ওড়িষা এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচকী অহানবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা হায়দ্রবাদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মার্সেলিনহোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা য়াম্না ঙন্না ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

গোল শোত্থরিবা ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা হায়দ্রবাদকী মায়কৈদা এটেক কয়া লেপ্পা লৈতনা চত্থদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি।

টিম অসিগী হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা মেটচকী ১৫শুবা মিনিটতা এরিদানেনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী ৪৫শুবা মিনিটতা হায়দ্রবাদকী শান্নরোই দিম্পল ভগৎ চৎন–পত্থাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবদগী মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাহ্নোকখিবগা লোয়ননা ওড়িষা এফ সিনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা এরিদানেনা পাঞ্জল ওহ্নোক্কুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অসি ওড়িষা এফ সিনা হায়দ্রবাদপু ২–১ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ অমসুং চেন্নাইন এফ সি শান্নরগনি।

## রোহিটনা আই সি সি ও দি আই প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে, কোহলিনা স্পিরিট ওফ ক্রিকেটকী মনা লৌখ্রে



*দুবাই, জনুৱারি ১৫ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী ওপনর রোহিট শর্ম্মনা আই সি সি ও দি আই প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে, টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা স্পিরিট ওফ ক্রিকেটকী এৱার্দ লৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা মমাঙ চহীদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা মেটচ ৯ দা রন ৬৪৮ লৌদুনা এগ্রিগেটতা ৮১.০০ লৈখি। মহাক্না ৱার্ল্ড কপ অসিদা সেঞ্চুরি ৫ অমসুং হাল্ফ সেঞ্চুরি অমসু য়ৈবা ঙমখি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা রোহিট শর্ম্মনা সেঞ্চুরি ৫ য়ৈখিবা অদুনা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্না সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইবগী রেকোর্দসু থম্বা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০১৯ দা রোহিট শর্ম্মনা ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচ ২৮ শান্নবদা পুন্না রন ১৪০৯ লৌবা ঙমখি। মহাক্না লৌখিবা রন অসিদা সেঞ্চুরি ৭ সু য়াওখি। চৎলিবা চহী ২০২০ দসু মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্স অদু মখা তানা উৎনবা পান্দম থম্লি হায়না রোহিট শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর ভিরাট কোহলিনা আই সি সি গী টেষ্ট অমসুং ও দি আইগী খ্বাইদগী ফজবা কেপ্টেনগী মনাশিং ফংখি। মনাশিং অসি নত্তনা স্পিরিট ওফ ক্রিকেটকী এৱার্দসু লৌবা ঙমখি।

আই সি সিনা পীখিবা এৱার্দশিং অসিগী মনুংদা সার গারফিল্ড সোবর্স ট্রোফি ওফ বেষ্ট ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী এৱার্দনা ইংলেন্দগী ওল রাউন্দ বেন ষ্টোক্সনা ফংখি। টেষ্ট ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর পেট কম্মিন্সনা লৌখি।

টি–২০ পার্ফোমেন্স ওফ দি ইয়রগী এৱার্দনা ইন্দিয়াগী বোল্লর দিপক চাহরনা ফংবা ঙমখি। দিপক চাহরনা বাংলাদেশকা শান্নখিবা টি–২০ মেটচতা ৱিকেট ৬ আওট তাহল্লগা রন ৭ পীদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি। ইমরজিং ক্রিকেট্টর ওফ দি ইয়রগী মনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী মারনস কোয়েটজরনা ফংখি।

## ঐহাক ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমদা অমুক হল্লক্কনি হায়বা থাজরুদ্রবনি ঃ চীংলেনসনা সিংহ

*ভুবনেশ্বর, জনুৱারি ১৫ (এজেন্সি) ঃ*
ঐহাক ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা অমুক নৌহৌননা হল্লক্কনি হায়বা থাজরুদ্রবনি হায়না টিম অসিদা মিডফিল্ডর ওইনা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোই চীংলেনসনা সিংহ কাঙুজমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



চীংলেনসনা ৯শুবা সেনিয়র মেন'স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়েৎথংবা খোঙনিং শোত্তুনা চহী অমরোম মশান্না অসি থাদোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু নৌহৌননা মহাকসু টিম অসিদা কৌখৎলকখিবদা মহাক্কী পুক্নিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওবা ফাওখি। মহাক অরোইবা ওইনা ২০১৮ গী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ মেন'স ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবনি।

হোক্কী প্রো লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসি ঐহাক্কী ওইনদি য়াম্না অরুবা ফিভম অমা ওইগদৌরি। মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা বোদি নীংথিনা লেঙ–ওৎপা য়াখিদবদগী অরুম্বা কেজি ৫–৬ হেনগৎখি। মরম অসিনা মহাক্না টিম অসিদা অমুক হল্লকপা হায়বসি মঙোন্দা থাজদবা অমদি ওইখি। অদুবু লাইবক ফবদগী টিম অসিগী চীফ কোচ গ্রাহম রেদনা মহাকপু নেদরলেন্দসকা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা নৌহৌননা হাপচিল্লকখিবনি।

চীংলেনসনা মহাক্কী অশোকপনা মরম ওইরগা থা ৮ রোম হোক্কী শান্নবা ঙমদনা লাকখি। শোত্তুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা চীংলেনসনানা টিম অসিগী সাইন্টিফিক এদভাইজর রোবিন অরকেলগী সিষ্টেমেটিক ওইরবা রুটিনগী মখাদা মপুং ফানা ত্রেনিং চত্থদুনা মপুং ফানা ফগৎনবা হোৎনরকখি।

জিম, সাইক্লিং অমসুং দাইটনচিংবা ফজনা মেন্টেন তৌদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা অমুক হল্লক্নবা কন্না হোৎনখিবগী মহৈনা স্কৱাদ অসিদা অমুক হল্লকপা ঙমখিবনি। টিম অসিনা অমুক হল্লকপা অসি ঐহাক্কী ওইনদি অনৌবা চাংয়েং অমনি। নেদরলেন্দসকা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎনবা হোৎনগনি হায়না আর্জুনা এৱার্দি চীংলেনসনানা ফোঙদোকখি।

হোক্কী প্রো লীগ অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯ দা ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা নেদরলেন্দসকা শান্নগদৌরিবনি।

## ভেন্সিক অমসুং সবালেনকা এদিলেদ ইন্টরনেসনেলগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*এদিলেদ, জনুৱারি ১৫ (এজেন্সি) ঃ*
ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি এদিলেদতা চত্থরিবা এদিলেট ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক অমসুং বেলারসকী অরিনা সবালেনকা মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জর্মনিগী শান্নরোই জুলিয়া জোর্জেসপু ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা য়ু এসকী দি কোলিন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এসকী দি কোলিন্সনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই এস কেনিনবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী বি পেরাবু ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী ভোন্দ্রৌসোভাসু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিগা শান্নরগনি।

## পি ভি সিন্ধু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে সাইনা, স্রিকান্থ অমসুং সাই প্রনিথ মায়থিহৌরে

*জাকর্টা, জনুৱারি ১৫ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দোনেসিয়াগী সিটি জাকর্টাদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোইশিং সাইনা নেহৱাল, কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সাই প্রনিথ অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা জপানগী আয়া ওহোরিবু ১৪–২১, ২১–১৫, ২১–১১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই সায়াকা টাকাহসিগা শান্নরগনি।

জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালবু ১৯–২১, ২১–১৩, ২১–৫ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই রুষ্টাভিটোগী মখূত্তা ২১–১৮, ১২–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা বি সাই প্রনিথসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী সি য়ুক্কীগী মখূত্তা ২১–১৬, ১৮–২১, ১০–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোইশিং সৌরভ ভর্ম, সমির ভর্ম, প্রনোই অমসুং পরুপল্লি কাশ্যপসু অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪০০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | R | I | D | E | N | T | ■ | L | A | T | C | H | E | D |
| R | E | M | O | T | E | R | ■ | O | P | E | R | A | T | E |
| A | P | P | R | O | V | E | ■ | G | E | N | E | R | A | L |
| P | L | A | I | N | ■ | M | A | G | ■ | S | E | D | G | E |
| P | E | N | S | ■ | A | B | L | E | R | ■ | D | I | E | T |
| E | T | E | ■ | C | U | L | P | R | I | T | ■ | E | R | E |
| R | E | L | E | A | S | E | S | ■ | V | E | E | R | E | D |
| ■ | ■ | ■ | A | R | T | S | ■ | D | U | A | L | ■ | ■ | ■ |
| G | R | A | T | E | R | ■ | T | O | L | L | F | R | E | E |
| N | O | N | ■ | T | I | S | S | U | E | S | ■ | I | S | M |
| A | M | O | S | ■ | A | P | A | R | T | ■ | L | O | S | E |
| R | A | I | T | T | ■ | E | R | N | ■ | P | A | T | E | R |
| L | I | N | E | A | G | E | ■ | E | R | O | D | I | N | G |
| E | N | T | E | R | E | D | ■ | S | I | L | E | N | C | E |
| D | E | S | P | O | T | S | ■ | S | P | O | N | G | E | D |


**In the Court of Sub-Disvisional Officer, Lamphel-Imphal West**

Ref. :- Mutation Case No. 1691/SDC/IW(C) of 26/8/2019

1. Nongthombam Sorojini Devi W/o (L) N. Ibopishak Singh of Uripok Achom Leikai
2. Gurumayum Sanahanbi Devi W/o Late Gurumayum Yaima Sharma of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. (Late) Nongthombam Ibopishak Singh S/o (L) Tomba Singh of Uripok Achom Leikai
2. Gurumayum Yaima Sharma S/o (L) Rebati Sharma of -do-

***- O.P.(s)***

**NOTICE**

*Lamphel, the 26th December 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা মৃতুঃ পাটাদার 1. (Late) Nongthombam Ibopishak Singh S/o (L) Tomba Singh 2. Gurumayum Yaima Sharma S/o (L) Rebati Sharma of Uripok Achom Leikai গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নংঃ 87-Uripok অরিবা পট্টা নম্বর 190 অনৌবা পট্টা নম্বর 236 দাগ নং 1079, 1080 অমসুং এরিয়া .05540 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central), Office অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Divisional Officer,**
Lamphel-Imphal West

SL/5726/16



ৠঙ/ৠৎ সম্ঘৈন সাৠৎ


**M/S IMPHAL PRESS**

*Screen Printing & Rubber Stamps Works*

*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
*Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI*

**Lengsinbirakshi**

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal.

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

**M/S IMPHAL PRESS**
*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
Phone No. 9774220295 / 9366285239

*SL/5683/6+15 days*


**MANIPUR UNIVERSITY**
CANCHIPUR: IMPHAL

**No.MU/9-1/2014/Exam(C):** Dated, the 13th January, 2020

**The Programme for conducting the BA/BSc 1st /5th/3rd Semester (Practical) Examinations, 2019(November) in Statistics are scheduled as under:**

**Time:10.00 a.m**

| Date & Day | Course | Colleges |
|---|---|---|
| 25/01/2020 (Saturday) | 1st Semester | **Group-A** : Modern College/Imphal College/ Liberal College/Biramangol College/Standard College/ South East Manipur College/ /Kakching Khunou College/Mangolnganbi College |
| 27/01/2020 (Monday) | 1st Semester | **Group-B** Moreh College/W.Mani Girl's College/ Regional College/S.K.Women's College//Imphal College/Kumbi College/Western College/Thamal Marik College/Mayai Lambi College/Churachandpur College/Thoubal College |
| 28/01/2020 (Tuesday) | 5th Semester (Honours) | **Group A:** Imphal College/Biramangol College/Kakching Khunou College/Thambal Marik College/DM College of Science/SK Women's College/Liberal College |
| 28/01/2020 (Tuesday) | 5th Semester (General) | **Group A :** Pravabati College |
| 29/01/2020 (Wednesday) | 3rd Semester | **Group A : Moreh College** /Thoubal College/ Thambal Marik College/ Kakching Khunou College/Liberal College/Mango;nganbi College |
| 04/02/2020 (Tuesday) | 3rd Semester | **Group B :** /Modern College/Mayai Laambi College/South East Manipur College/Churachandpur College/ Pole Star College/Waikhom Mani Girls' college/Western college/Imphal College |
| O5/02/2020 (Wednesday) | 3rd Semester | **Group C:** D.M.College of Science/Biramangol College/Standard College/ Regional College/ S.K.Women's College/ /Imphal College/ Kumbi College |

Sd/-
(A. Narayan Singh)
Controller of Examinations, i/c

*SL/B(MU)/16*


**MEIKLEY**
International School

ESTD. 2016

**ADMISSIONS OPEN**

HURRY UP



Curriculum supported by **BUBBLES KIDS** (A Globally Recognised)

Classes
**Pre-Nursery to Class III**

**2020 - 2021**

Class Starts from 23rd Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial :
8787880819
9774770388

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

meikleyinternationalschool@gmail.com

*SL/5669/3+15 days*



**FOCUS**
**The Conceptual study Circle**
**Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road**

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

*SL/5669/3+15 days*